# সিটিজনস রেজিষ্টারদগী ইন্দিয়ান অমত্তা হুন্দোক্তুনা থল্লোই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা অসামদা থাজবা পীখ্রে



***গুৱাহাতি, জনুৱারি ৪ঃ***
আইন্না য়াদবা ইম্মিগ্রেন্টশিং মশক খন্দোক্নবা নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি)শেমখিবদা অসামদা খুদোঙ চাদবা ময়োক্নরিবা মীওই কয়াদা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে অদুবু দোকুমেন্ট অদুদগী অসেঙবা ইন্দিয়ান অমত্তা হুন্দোক্তুনা থল্লমলোই হায়না থাজবা পীখ্রে।

নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) শেম্বগী থবক অসি য়াম্না চয়েৎনবা অমসুং অরুবা ওইবা মরমদগী নখোয় কয়ামরুম খুদোঙথিবা অমসুং অৱাবশিং ময়োক্নখি হায়বসি ঐহাক খঙই। থবক অসি চহি ১০ রোম চপ লেপ্তুনা লৈরকখ্রবনি। অদুবু নখোয়গী শক্তিংগী মরমখক্তদগী ঙসি মাঙলোমদা চঙশিল্লকখিবনি। শিংনবা কয়ামরুম লৈরবসু মসি পাংথোকপা ঙম্নবগীদমক ঐনা চীফ মিনিষ্টর শরবানন্দা সোনোৱাল অমসুং মহাক্কী টিমবু নুংঙাইবা ফোঙদোকপা পাম্মী হায়না লোক সভা মীখলগী মংওইননা সিলচর রিজনদা মীখলগা মরিলৈনবা মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

মহৌশানা সিলচর লমদম অসি বি জে পিগী অকনবা মফম অমা ওইদুনা লাকখ্রবসু ২০১৬ এসেমব্লি মীখলদা পার্টি অসিগীদমক ভোত পীরকখিবা বেঙ্গলি হিন্দু কয়া এন আর সিদা মখোয়গী মমিংশিং য়াওরকখিদবদগী লমদম অসিদা নুঙাইতবা কয়া লৈরি। মীয়ান্না কন্না পান্নদবা অতোপ্পা হীরম অমনা কম্যুনিটি কয়াদগী লাকখিবা ইলিগেল মাইগ্রেন্টকী ৱাহঙ্হোক অদু ওন্থোক্নবগী পান্দম থম্লিবা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিলগী মতাংদা ইলেক্সনদা ৱাশকখিবা অদু রিজনেল পার্টিশিংনা য়েৎপদগী বি জে পিনা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদবা অসিনি।

ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী চৎমিন্নবা খোঙবু অমা ওইরিবা অসোম গন পরিষদ (এ জি পি) ফাওবনা বিল অদু এন্টি–অসামনি হায়রিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা বিল অদু থবক্তা ওন্থোক্নবগী লম্বীদা বি জে পি গভর্ণমেন্টকী লৈরিবা কৌবা–ঙম্বা শক্তিগী মনূংদা থবক অদু চত্থনবা হোৎনগনি হায়না মীয়ামদা থাজবা পীখি।

সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল অসি মীয়ামগী নূংদা লৈরিবা ৱাখল অমসুং মীয়ামগী পূন্সিগা মরিলৈনবা অমনি। মসি কনাগুম্বা অমত্তগী কাননবগী নৎতে হৌখিবা মতমদা তৌখিবা অরানবা অমসুং চুমদবা কয়া অদুগী ময়োক্তনি। বিল অসি পালিয়ামেন্টতা থুনমক পাস তৌগনি হায়বসি ঐগী আশানি হায়না মহাক্না হায়খি।

অসামীজ মীয়ামগী নাৎ,খুন্নাই, লোন চাওখৎহন্ননবা অমসুং লেঙদনা থম্নবা লোয়ননা ঙাকথোক্নবা তৌফম থোকপা সেফগার্দশিং পীনবগী পান্দম থম্লিবা অসাম এক্কোর্দকী ক্লোজ (৬) থবক্তা ওন্থোক্নবা মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী ৱারেপকী মতাংদসু প্রাইম মিনিষ্টরনা পনখি।

ক্লোজ অসি হৌখিবা চহি ৩৫ রোম থরাক–থরাক য়ান্দুনা লৈরকখিবনি অদুবু হৌজিক্তি মদুগী লম্বী অদু অপনবা লৈহন্দনা শেঙদোক্লে। হন্দক্কী পঞ্চয়ৎ মীখলদা বি জে পিগীদমক ভোত পীবীখিবা অসামগী মীয়ামদা ঐনা লমন তোনশিঞ্জরে অমসুং ষ্টেট অসি চাওখৎহন্দুনা মীয়ামগী লমন অসি শিংনবা ঐহাক্না অচেৎপা ফিরেপ লৌরে হায়খি।

চহিসিদা পাংথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী মোদেল কোর্ট ওফ কন্দক চৎনবা হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা নুমিৎ ১০০নিগী খোঙচৎ অমদা ষ্টেট ২০দা মীফম কয়ামুক্তা ৱা ঙাংগদৌরিবা মহাক্কী কেম্পেইনগী অহানবা ফেজগী শরুক ওইনা ইম্ফালদা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংলুরবা তুঙদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সিলচরদা থুঙলখিবনি।

২০১৪গী লোক সভা মীখলদা অসামগী পালিয়ামেন্টরি সিট ১০গী মনূংদা বি জে পিনা ৭ ফঙদুনা পার্টি অসিনা য়াম্না মায়পাক্না অসামদা খোঙদারকখি। চহি ২গী মতুংদা পার্টি অসিনা অসাম ষ্টেট এসেমব্লিদা সিট ৬১ ফঙদুনা সিঙ্গল লার্জেস পার্টি ওইরকখি। পার্টি অসিগী খোঙবু ওইমিন্নরিবা বোদোলেন পিপলস ফ্রন্ট অমসুং এ জি পিনা মথঙসিৎনা সিট ১২ অমসুং ১৪ ফঙখিবনি।

# ইরাননা স্পেসতা সেটিলাইটশিং থাগৎনবা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মায়োক্তা য়ু এসনা ৱার্নিং তৌখ্রে

***ৱাসিংতন, জনুৱারি ৪ঃ***
ইরাননা লোঞ্চ ভেহিকল ৩ স্পেসতা থাগৎনবা হোৎনরিবা থৌরাংশিং অদুগীদমক করিগুম্বা থবক মখা চত্থরক্নবদি মদুনা য়ু এন রিজোলুসন অমা থুগাইগনি হায়না মরান শিরদুনা খোঙথাং অদুগী ফত্তবা ফলশিং ফঙ্গনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ঙরাং ইরানদা ৱার্নিং তৌখ্রে।







ইরানগী সেটিলাইট দিলিভরি রোকেটশিং অদু ন্যুক্লিয়ার–কেপেবল বাল্লিষ্টিক মিসাইলশিংগা মান্নরবা টেক্নোলোজি শিজিন্নে মদু কোন্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়ৌনবগী শক্তি লৈবা লোঙ–রেঞ্জ মিসাইলশিং য়াওরক্কনি হায়না য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা হায়খিবনি হায়খি।

মালেমগী লৈবাকশিংগী তঙদু–লৈতাবা অমসুং শোয়দ–ঙামদনবা ফিভমবু খুদোঙথিবা থোকহন্নীংঙাই ওইবা ইরান গভর্ণমেন্টকী মাং–তাক্লিংঙাই ওইবা পোলিসিশিং অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লেপ্তুনা অমসুং য়েঙদুনা লৈথোক্লোই হায়না ষ্টেটমেন্ট অমনা পোম্পিওনা হায়খি।

হেন্না লূশিনবা ইকোনোমিক অমসুং দিপ্লোমেটিক্কী নাইতোম তারক্কদবা অদু থিংনবা অসিগুম্বা কাইহৌবা স্পেসতা থাগৎপগী থবকশিং অসি অমুক হন্না খন্থনবা লোয়ননা বাল্লিষ্টিক মিসাইলশিংগা লোয়নবা থবক পূন্নমক লেপ্পবা ঐখোয়না গভর্ণমেন্ট অদুদা পাউতাক পীরি হায়না মহাক্না হায়খি।

মাইক পোম্পিওনা হায়খি ইরাননা স্পেসতা সেটিলাইট দিলিভরি রোকেটশিং থাগৎলিবদু য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিল রিজোলুসন ২২৩১ ওফ ২০১৫ থুগাইবনি। রিজোলুসন অদু ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইশিং পুবাঙম্বা বাল্লিষ্টিক মিসাইলশিংগা মরিলৈনবা থবকশিং তৌদনবা টেহরানদা অপিল তৌরিবা অমসুং ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম লেপহন্নবগী ইন্টনেসনেল এক্কোর্দ অমনি।

অদুবু য়ু এসকী পোম্পিওনা শিরিবা মরান অদু ইরাননা য়াখিদ্রে। ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মুহমদ জবাদ জারিবনা পোম্পিওগী ৱাফম অদু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা স্পেস লোঞ্চশিং নৎত্রগা মিসাইল টেষ্টশিং অদুনা য়ু এন রিজোলূসন ২২৩১ অদু থুগাইদে। ইরাননা চত্থরিবা অসি ন্যুক্লিয়ারগী মওং নৎতে। লৈবাক অসি মশা ঙাকথোকচনবগী মরুওইবা অদুনি হায়খি।

য়ু এস মশামক হায়রিবা অদুগুম্বা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী অথিঙবা থুগাইবা লৈবাক অমনি। মরম অদুনা লৈবাক অসিনা কনাগুম্বা অমগী মথক্তা ৱা ঙাংনবগী মরম লৈতে হায়না য়ু এন না শৌগৎতুনা পুথোকখিবা দি ন্যুক্লিয়ার রাইজেসন পেক অদুদগী য়ু এসনা তোকখিবা অদুদা খুদোম্বী থিল্লদুনা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর জারিবনা ত্বিটরগী খূৎথাংদা হায়খি।

ইরানগী দিপুটি দিফেন্স মিনিষ্টর ব্রিগেদিয়া জেনরেল ঘাসেন তাঘিজাদেহনা হৌখিবা নবেম্বর থাদা টেহরান্না লাক্লিবা থা খরগী মনূংদা স্পেসতা সেটিলাইট ৩ থাগৎলগনি হায়খিবনি।

# ইরাননা য়ু এস ঈশিং মনাক নকশিন্না অটলান্টিক্তা লানগী জহাজশিং থাজিল্লগনি



***লন্দন জনুৱারি ৪ঃ***
ইরাননা থিনা য়েঙথিনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী হেক মনাক মত্তঃদা মখোয়গী নেভেল ফোর্সশিংগী ওপরেটিঙ রেঞ্জ হেনগৎহন্নবা খোঙথাং ওইনা চহি অসিগী মর্চ থাদগী অটলান্টিকতা ইরাননিয়ান নেভিনা লানগী জহাজশিং দিপ্লোয় তৌরগনি হায়না ঙসি মকোক থোংবা কমান্দর অমনা হায়খ্রে।

গল্ফতা য়ু এস এয়ারক্রাফ কেরিয়ারশিং থমজিল্লকপা অসি ইরানগীদমক সেক্যুরিটিগী নুংনাংবা অমনি অমসুং মখোয়গী নেভিনা অমেরিকাগী ঈশিং লমদম মনাক্তা ইরান নেভিগী ফিরান উৎতুনা মদুগী ময়োক্তা থবক লৌখৎনবা হোৎনরি।

ইরানগী নেভেল দিপুটি কমান্দরনা হায়খি, লাক্লিবা মার্চ থাদগী হৌরিবা ইরানগী অনৌবা চহিগী অঙনবদা অটলান্টিক্কীদমক লানগী জহাজ গ্রূপ অমা খোঙশানখ্রগনি।

অটলান্টিক ওসিন অসি অরাপ্পা মফমনি অমসুং ইরানগী নেভেল ফ্লোটিল্লাগী ওপরেসন অদু থা ৫ রোম চঙলবা য়াই হায়না নেভিগী রিয়ার এদমিরেন তৌরাজ হসনিগী ৱাফম পল্লদুনা ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি আই আর এন এনা হায়খি।

নৌনা শাখিবা দিষ্ট্রোয়র অমা ওইরিবা শহানসু অটলান্টিতা দিপ্লোই তৌরুগদৌরিবা লানগী জহাজশিং অদুগী মনূংদা অমা ওইরগনি। জহাজ অসিদা হেলিকোপ্টরশিংগীদমক ফ্লাইট দেক অমা য়াওই। মসি এন্টি–এয়ারক্রাফ অমসুং এন্টি–সিফ গনশিং পাল্লি। লৈমায়দা কাপ্পা ঙম্বা অমসুং লৈমাইদগী নোংথক্তা কাপ্পা ঙম্বা লোয়ননা ইলেক্ট্রোনিক ৱাফিয়ার কেপাবিলিটিশিং লৈ।

ইরাননা থুনমক বেনেজুয়েলাদা মিসন অমদা জহাজ ২–৩ থুনমক থারগনি হায়নসু দিসেম্বর থাদা অসানিনা ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা থাদা সেনিয়ার ইরানিয়ান মিলিটরি ওফিসিয়েল অমনা য়ু এস এয়ার ক্রাফ কেরিয়রশিংবু ইরানগী মনাক্তা ইন্টনেসনেল ৱাটরসকী অকোয়বদা চৎপা য়াহনবা মরন্না য়ু এস ঈশিংলম মনাক্তঃ অটলান্টিক্তা ইরানগী নেভিনা চৎপা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

সোমালি ঈশিং দাকুশিংদগী ইরানগী জহাজশিংবু ঙাকথোক্নবা গল্ফ ওফ এদেন অমসুং ইন্দিয়ান ওসিনদা জহাজশিং থাজিনদুনা ইরানগী নেভিনা হৌখিবা চহি খরসিদা মখোয়গী থবক হেন্না শাংদোক্লকখ্রে।

হৌখিবা চহিগী মে থাদা ৱার্ল্ড পৱারশিংগী ন্যুক্লিয়ার দিল অমদগী ৱাসিংতনবু য়ু এস প্রসিদেন্ট দোল্ড ট্রম্পনা লৌথোকখিবা অমসুং ইরানগী বেঙ্কিং অমসুং ইনর্জি সেক্তরদা সেঙ্ক সন্সশিং থমজিলকখিবা মতূংদগী য়ু এসকা ইরানগাগী ৱাহৈগী লান কনখৎলকখিবনি।

য়ু এসনা অকিবগী শাফু পীবা মরমদগী করিগুম্বা ইরানগী থাও লৈহন্দ্রবদি লমদমসিগী অতোপ্পা লৈবাক অমত্তবুসু অসুন্না তৌবা য়াহল্লোই হায়না ইরাননা ৱার্নিং তৌখি। মালেমগী সমুদ্রা ঈশিং লম্বী ফাওদুনা পুবা থাওগী অহুম থোকপগী শরুক অমা পুরিবা ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজ অসি থিংজিনগনি হায়না ইরাননা অকিবা পীখিবনি।

হৌখিবা চহি খরদা ইরানগী রিবোলুসনরি গার্দস অমসুং য়ু এস মিলিটরি অনীগী মরক্তা গল্ফতা মতম–মতমগী ওইনা মায়োক্নবগী থৌদোকশিং থোকখি। অদুবু হন্দক থা খরসিদদি অদুগুম্বা থৌদোকশিং থোকপগী মশিং হন্থরকখ্রে।

# লৈঙাক পায়রক্লবদি রাফেল দিল থিজিনগনিঃ রাহুল গান্ধী



***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৪ঃ***
চহি অসিগী মীখলদা কোংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাক পায়রক্লবদি রাফেল জেট দিলগী মতাংদা ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন অমা চত্থদুনা থিজিনগনি অমসুং মরাললৈবশিংদু চৈরাক পীগনি হায়না ঙসি রাহুল গান্ধীনা হায়খ্রে।

পার্লিয়ামেন্টকী মপান্দা পামীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা মিষ্টর গান্ধীনা হায়খি, মল্টি মিল্লিয়ন দোল্লর ফাইটর জেট দিল অদুগী মতাংদা কোংগ্রেসনা পুখৎলিবা ৱাহংশিং অদু মিনিষ্টরনা শোয়দনমক পাউখুম পীগদবনি।

রাফেল দিলগী দিবেটতগী প্রাইম মিনিষ্টরনা চেনখ্রে অদুগা ঐবু মরান কয়া শিদুনা অরুন জেতলি (ফাইনান্স মিনিষ্টর)না শাংলবা ৱা ঙাংখ্রে, অদুবু ঐগী ৱাহংশিংগী পাউখুমদি পীখিদে।

প্রাইম মিনিষ্টরগী মহুৎ শিন্দুনা দিফেন্স মিনিষ্টরনা ৱা ঙাংবদা ঐখোয়না পুখৎলিবা ৱাহংশিং অদুগী পাউখুম শোয়দনমক পীবা হায়বসি ঐখোয় অমসুং ওপোজিসন পূম্বনা পাম্মী হায়না কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খি।

রাফেল এয়ারক্রাফকী মমল লূপা ক্রোর ৫২৬তগী লূপা ক্রোর ১,৬০০তা হেনগৎনবা কনানা ৱারেপ লৌখি– এয়ার ফোর্স, দিফেন্স মিনিষ্ট্রি নৎত্রগা প্রাইম মিনিষ্টরনবা হায়না মহাক্না হঙখি। এয়ার ফোর্সনা এয়ারক্রাফ ১২৬ মথৌ তারি। মশিং অদু ৩৬তা কনানা হন্থহল্লি। অনিল অম্বনিদা কন্ট্রেক অদু পীনবা কনানা ৱারেপ অদু লৌখি হায়না রাহুল গান্ধীনা হঙখি।

দাসোল্ট রাফেল অসি এদভান্স ওল–ৱেদর মল্টি–রোল জেট ফাইটর অমনি। শেঙ্গা–থুমজা তৌবগী মথক্তা প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাক্কী মরুপ অমসুং ইন্টর্নেসনেল দেস্প্ট মাষ্টর অনিল অম্বনিদা রাফেল কন্ট্রেক পীদুনা নেসনেল সেক্যুরিটিবু শোম্থহনবগীদমক মহাক্কী মথক্তসু থিজিনবগী থবক চত্থগদবনি হায়না কোংগ্রেস লূচিংবা অদুনা হায়খি।

রাহুল গান্ধীনা অসুন্না রাফেল ফাটর দিলগী মতাংদা গভর্ণমেন্টকী মথক্তা ৱাফম কয়া হায়দুনা থিনা চৈখিবা অসিগী পূং খরগী তূংদা দিফেন্স মিনিষ্টর নিরমলা সিতারমননা পার্লিয়ামেন্টতা পাউখুম পীখি।

# বোফোরস গন লৈখিবা অদুদি শেঙ্গা–থুমজাগী ৱাথোকনি, রাফেল লৈবগীদি মদু নৎতেঃ দিফেন্স মিনিষ্টর সিতারমন



***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৪ঃ***
ফ্রান্সতগী রাফেল ফাইটর জেট লৈনবগী তৌনখিবা দিল অদুগী মতাংদা শিৎলক্লিবা নোংলৈ–নূংশিৎ লোয়খিগদবা য়াম্না ৱাৎলি। ঙসি ইরাই নুমিৎতা পার্লিয়ামেন্টতা ৱাথোক অসিগী মতাংদা মৈ হৌরবা দিবেট অমা তৌনখ্রে।

ওপোজিসনগী নাকনদগী ৱাহং কয়া পুখৎলকখিবা অমসুং মরান কয়া শিরকখিবা মরক্তা অকনবা দিবেট অদুদা দিফেন্স মিনিষ্টর নিরমলা সিতারমননা পূং ২ হেন্না শাংলবা পাকশল্লবা পাউখুম অমা পীখ্রে।

মহাক মশামক্কী অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ইন্টিগ্রিটিদা মরন শিরকখিবগীদমক কোংগ্রেসদা চৈরদুনা রাফেল ফাইটর প্লেন ৩৬কী তৌনখিবা দিল অদু দিফেন্স মিনিষ্টরনা অরানবা অমত্তা তৌখিবা লৈতে হায়না ঙাকথোকখি। কোংগ্রেসনা লূচিংবা সরকারনা জেট ১২৬ লৈনবগী কন্ট্রেক অদু ককথৎলবা তুংদা রাফেল ফাইটর ৩৬ লৈনবগী কন্ট্রেক অদু সহি তৌনখিবনি।

ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা পূং ২ হেন্না শাংনা ঙাংখিবা অদুদা দিফেন্স মিনিষ্টর নিরমলা সিতারমনা হায়খি, মমাঙগী কোংগ্রেসনা লূচিংবা গভর্ণমেন্টনা বোফোরস গন লৈনবগী তৌনখিবা দিল অদুদি শেঙ্গা–থুমজাগী অচৌবা ৱাথোক অমনি, রাফেল ফাইটর লৈনবা অসিদি মদু নৎতে।

বোফোরসকী শেঙ্গা–থুমজাগী মরম অদুদগী কংগ্রেসনা মীখলদা মায়থিখিবনি। রাফেলনা ঐখোয়বু অমুক হন্না লৈঙাক পায়হল্লকনি। রাফেলনা মোদি (প্রাইম মিনিষ্টর)বু অমুকহন্না পুরক্কনি হায়খি।

নাপন তৌননবা ঐহাক্কী খান্দান (শাগৈ) অমা লৈতে ঐহাক ময়াই ওইরপ্পা ইমূং অমদগী হৌরকপনি। ঐনা ইশাগী ইকাইখুন্নবা মচেৎ অমত্তা মাংহন্দনা লাক্লি। প্রাইম মিনিষ্টরসু লাইরবা শোত্থরবা ইমুং অমদগী লাকখিবনি। অদুগা নখোয়না মহাকপু হুরানবা হায়রিবা?

দিফেন্স মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা দিফেন্স দিল্লিং অমসুং দিল্লিং ইন দিফেন্স অনি অসি তোঙান তোঙান্না খেন্নবা অমনি। ঐখোয়না দিফেন্স দিল্লিং তৌদে, ঐখোয়না নেসনেল সেক্যুরিটি খ্বাইদগী মরুওইবা ওইনা লৌরগা দিফেন্সকী থবক তৌই হায়খি।

মখোয়গী ওইনা এয়ারক্রাফট অমমমগী বেসিক প্রাইস লূপা ক্রোর ৭৩৭ ওইখি। ঐখোয়গীনা লূপা ক্রোর ৬৭০নি মসি য়ামদ্রবদা চাদা ৯ হন্থরবনি। মখোয়গী ৱাহংশিং অদুগী পাউখুম ঐনা পীরবসু মখোয়না এয়ারক্রাফট অদু লৈনবগী অনীংবা লৈতে। মখোয়দা নেসনেল সেক্যুরিটি মরুওইদে মখোয়গী ট্রেজরিনা হেন্না মরুওই হায়না মহাক্না হায়খি।

কোংগ্রেসনা ঐস এ এলগীদমক তাংকী মপী শিন্থরি কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা ঐস এ এলদা লোন ৫৩ কোকখি। ঐখোয়না লূপা লাক্ষ ক্রোর অমগী কন্ট্রেকশিং পীখি। খূৎলাই পূমনমক পাল্লবা লানগী থৌরাং তৌরবা এয়ারক্রাফটকী মমলগা করিমতা য়াওদবা এয়ারক্রাফট অমগী মমলগা চাংদন্নবা য়ারোই।

মোদিজিগী মখাদা চহি ৫ দলালিশিং (মিদ্দলমেন) য়াওদনা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা থবক্তা উৎলি হায়না নিরমলা সিতারমননা হায়খি।

**GOVT. OF MANIPUR**
**STATE ACADEMY OF TRAINING**
**TAKYELPAT**

## NOTIFICATION

Imphal, the 3th January, 2019

**No. 7/13/217(8)Pt:** The notification inviting e-tender bid for supply of Apple Macbooks in the State Academy of Training, Manipur vide this office notification of even No. dated 27th October, 2018 stands concelled.

2. Further, bids are invited from reputed, experienced and financially sound companies/ Firms/ Agencies for supply of Apple macbooks as per revised tender Documents and dates below. Bids are to be submitted only through e-procurement portal i.e.

**www.manipurtenders.gov.in:**

i. Last date for submission of bid 24th January, 2019 at 2:00 P.M.
ii. Date of opening of technical bid 24th January, 2019 at 3:00 P.M.
iii. Date of opening of financial bid 27th January, 2019 at 11.00 A.M.

4. Revised Tender Documents containing all details may be downloaded from the SAT website **www.satmanipur.nic.in.** and **www.manipurtenders.gov.in.**

5. SAT reserves the right to amend or withdraw any of the terms and conditions contained in the Tender Document or to reject any or all tenders without giving any notice or assigning any reason. The decision of the Director General, SAT in this regard shall be final.

Sd-
(O. Nabakishore Singh)
Director General, SAT

SL/BILL/4,5 Jan. 2019

**সনা–সুদোকু –৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 2 | 7 | 3 | 1 | 9 | 4 | 5 | 6 |
| 6 | 1 | 9 | 5 | 4 | 8 | 7 | 3 | 2 |
| 4 | 5 | 3 | 6 | 7 | 2 | 1 | 9 | 8 |
| 9 | 3 | 5 | 7 | 6 | 4 | 2 | 8 | 1 |
| 2 | 7 | 6 | 1 | 8 | 3 | 9 | 4 | 5 |
| 1 | 4 | 8 | 9 | 2 | 5 | 6 | 7 | 3 |
| 5 | 9 | 1 | 2 | 3 | 7 | 8 | 6 | 4 |
| 3 | 6 | 4 | 8 | 9 | 1 | 5 | 2 | 7 |
| 7 | 8 | 2 | 4 | 5 | 6 | 3 | 1 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without*

**Hard Sana Suduku-5**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 8 | | 5 | 6 | | 7 |
| | 6 | | | 7 | | 9 | 8 | |
| | 2 | 8 | | | | | 5 | 1 |
| 2 | | | 5 | | 1 | | | 3 |
| 1 | | 7 | | 8 | | | 9 | |
| 9 | | | | | 7 | | 1 | 5 |
| 8 | | 5 | | 1 | | | 7 | |
| | 7 | | 9 | | | | | 8 |
| | | 1 | | 6 | | 5 | | |

## GAS TODAY

**Heingang Indane**
Booking : 26/12/18
Valid : 14/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 11/11/18
Valid : 04/11/18
Stk :612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Maibia gas**
Booking : 05/11/18
Sl. No. : 8240
Valid : 01/11/18
Sl. No. : 7395
Stk :612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Imphal L P G Service**
Booking : 03/12/18
Valid : 16/11/18
Sl. No. : 294
Stk : 306, 19kg-180
Time : from 08.00 a.m.

**G B D Indane, Lamlong**
Booking : 06/11/18
Valid :26/10/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 27/08/18
Valid : 24/08/18
Sl. No. : 705 to 984
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 21/12/18
Valid : 18/12/18
Stk : 306, 19kg Aval.
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 17/11/18
Sl. No. : 170
Valid : 13/11/18
Stk : 288, 19kg 12
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 28/11/18
Valid : 19/11/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Lamsang Gas**
Booking : 26/11/18
Valid : 21/11/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 05/12/18
Valid : 03/11/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**M M Gas (Rs. 810.50)**
Booking : 24/11/18
Valid : 15/11/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**K & K Indane Service (Rs. 810.50)**
Booking : 15/12/18
Sl. No. : 250
Valid : 05/12/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 05/12/18
Sl. No. : 390
Valid : 29/11/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking : 13/11/18
Valid : 08/11/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.30 a.m

**Hrangchal Gas Agancy**
Booking : 27/11/18
Valid : 22/11/18
Stk : 612

**Basikhong Indane**
Booking : 12/11/18
Valid : 05/11/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**R & H Indane**
Booking : 29/11/18
Valid : 18/10/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 17/11/18
Valid : 14/11/18
Sl. No. : 11214 to 11592

**Swambung Indane**
Booking : 16/11/18
Valid : 01/11/18
Stk :306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Heirok Indane**
Booking : 27/11/18
Valid : 04/11/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.